# ৱারীমচা

## ইন্টরভিউ

*ধনশ্যাম ৱাহেংবম*

ওফিস য়ৌরকপদা নুপা অনীগা নুপী অমগা লৈরম্লে। মনাক্তা লৈবা অহাংবা ফম্ফম অমদা চঙশিন্দুনা ফম্লে।

"ইন্টরভিউ য়াওবীগদবরা?"

নুপা অমনা হংলকই।

ঐনা খুম্মী,

"হোয়, অদোমসুরা?"

"হোয়।"

ঙাইহাক লৈরগা মী খরসু লাক্লে। মখোয়গী মরক্তা সুদেশসু য়াওরকই।

সুদেশ উরগা হৌখ্রবা এম এ তন্নিঁঙৈ থৌদোকশিং ৱাখলগী ফিজংদা থোরক্লি,

"ঐ খঙই। নঙ ক্লাসতা মতম চানা লাকই হায়বা। ঙসিসু নঙনা ক্লাসতা হেক চঙলকপগা নঙগী নমিগুম ঐগী মীৎ অসিনা নঙনা ক্লাসরুমগী মমাঙথোঙদগী চঙশিল্লকপা, য়েৎলোমদা লৈশিল্লক্তুনা লাক্লগা ঐগী হেক তুংদা ফমদ্রিবা ফাওবা লৈ–লৈদুনা য়েংলি। নঙগী মোঙ হাদ্রবী ইংলবী মায়থোঙ অদুনা ঐগী থম্মোয়বু ইংহল্লি। তাঞ্জা ফংবা খুদিংদা নঙবু ঐনা লোন্না মুনা–মুনা য়েংদুনা মঙলান মচা–মচা শাগৎলুই। নঙবু অসুম য়েংদুনা লৈনিংই। নঙতবু ইনাক্তা লৈহন্নীংই। নঙসে ঐগী ওইনিংই।"

মতম অদো হৌখিবা খঙহৌদে। ঙসিতা ইথা থাজদনা মাগা অমুক থেংনররে।

"সুদেশ নঙসু ইন্টরভিউ য়াওগেরা?"

ঐনা হংলুই।

মানা খুন্নকই,

"হোয়। চিথবা য়াবা নত্তে। নঙদি করি হোৎনরিগে?"

"প্রাইভেট স্কুল পুরি।"

মীৎকুপ অহুমদং তুমিন লৈরুরগা ঐনা হায়,

"ইন্টরভিউগী মতমদি য়ৌবু য়ৌশিল্লক্লে। কেন্দিদেটপু য়াম্না লাক্ত্রিনে।"

"পার্মেনেন্ট পোষ্ট নত্তবনিনা য়াম্না লাক্ত্রিনি। কেন্দিদেট অহুম খনগদবসিদা কনা–কনাবু য়াওরক্তৌরিনো? মমাঙথোঙলোমদৈ লাকপশিংবু খনগদৌরিবরা? মনিংথোঙলোমদৈ লাকপশিংবু খনগদৌরিবরা?"

দিরেক্তরগী কাদগী নুপা অমা থোরকই। নোটিশ বোর্দতা কেন্দিদেট ১৫ গী লিষ্ট অমা থেৎলরে।

মথক্তগী য়েংথরকপদা ঐগী মিং – অমা, অনী, অহুম, 'মরি!' মরিশুবদা লৈরে।

মথং–মথং কৌশিন্দুনা ইন্টরভিউ লৌরকপনা অহুমশুবা কেন্দিদেটে চঙখ্রে। কেন্দিদেট অমমমনা মিনিট ১৫ দগী ২০ ফাওবগী চাংদা মতম লৌখি। অহুমশুবা কেন্দিদেটে থোরকপগা ঐগী মিং কৌরক্লে।

"সেরিয়েল নম্বর 'মরি' মাইবম মায়পাকসনা।"

ঐ ফুক হৌগৎতুনা দিরেক্তরগী থোঙজিন মনাক্তা লেপ্পুরে। মনুংদা দিরেক্তরনা ময়ায় থংদুনা দাঃ থাবল অমদি দাঃ সনজিৎনা য়েৎ–ওইদা থংদুনা সোফাদা ফমদুনা লৈরম্মী।

ঐনা হায়রুই,

"ঐ অমুক্তা চঙজরক্কে সার।"

মখোয় অহুম্না হায়রকই,

"চঙলকউ।"

ঐ চঙশিন্দুনা মখোয়গী মমাঙদা লেপ্পুই। অহাংবা সোফা অমদা ফম্নবা হায়রকপদগী ঐ ফমথরে। দাঃ থাবলনা ঐগী বাইও–দাটা য়েংই।

মীৎকুপ খরগী মতুংদা মানা হায়রকই,

"মরিপুরী লোল করম্বা চহীগী তাং কয়াদা কন্সটিট্যুসনগী নিপানশুবা সেদ্যুলদা চনখিবগে?"

'ঐনা লাইরিক তন্নিঁঙৈদা–

এমসুগী রেল্লি কয়াদা য়াওদুনা, প্লেকার্দ কয়া পায়দুনা মণিপুরী লোলবু নিপানশুবা সেদ্যুলদা য়াওনবা হোৎনরকখি। লিটরেচরগী লূপ কয়ানা, লৈঙাক্লোনগী লূপ কয়ানা মসিগী ৱাফম পুখত্তুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা তকশিনখি। ইশামক খুলগী কৈথেলদা খুলগী মীওই কয়াগা লোয়ননা নোংমগী ওইবা লোলগী মতাংদা খন্ন–নৈনবগী মীফম পাঙথোকপদা শরুক য়াখি। ঐনা তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীখি।

নোংমা ইম্ফালদা,

ইং ১৯৯২, আগষ্টকী তাং ২০ নি। মণিপুরী লোল নিপানশুবা সেদ্যুলদা চল্লে হায়দুনা পুংজাউ থীন্দুনা হরাউনখি। থাবল চোংখি।'

দাঃ থাবলগী ৱাহংগী পাউখুম অদু ঐঙোন্দা লায়না থোকই। অদুনা খুদক্তা ঐনা পাউখুম পী,

"ইং ১৯৯২, আগষ্টকী তাং ২০।"

"চুম্মে।"

দাঃ থাবলনা অনীশুবা ৱাহং ঐঙোন্দা হংলকই,

"মণিপুরী লোলবু অনীশুবা নৎত্রগা অহুমশুবা লোল অমা ওইনা তম্বীবা তারবদি করম্বা মওংদা তম্বীগদগে?"

ঐগী ৱাখলদা উরি,

ঐনা উখ্রুলদা প্রাইভেট স্কুল অমদা ওজা ওইবা চৎলমদাইদা বিইদকী ওজা তোম্বীমচা উনবা চৎলুই।

মানা হায়রকই,

"য়ারিমখৈ মণিপুরী লোল খক্তা ঙাংগদবনি। মহৈরোইশিংগী মমালোল খঙলবসু তঙাইফদবা মতাংদতা ঙাংগদবনি। অয়েকপা লাইনচিংবা খুদম কয়া, সাইন কয়াগা লোয়ননা তম্বীগদবনি।"

ঐনা হংলুই,

"মহৈরোইগী মমালোন্দা ৱাহন্থোক পী–পীদুনা তম্বীবদা করি কায়বগে?"

"ৱাহৈ খুদিংগী ৱাহন্থোক পী–পীদুনা মহৈরোইশিংদা তম্বীবনা তম্বীরিবা লোল অদু খঙহনবদা খোঙজেল তপথহল্লি। মসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে।"

ওজা তোম্বীমচানা হায়রকপনি।

দাঃ থাবলগী ৱাহংগী পাউখুম অদু ঐনা ওজা তোম্বীমচাগী ৱাফম অদু তেনশিন্দুনা পী,

"য়ারিবমখৈ মণিপুরী লোল খক্তা শীজিন্নদুনা খুদম সাইন, অয়েকপা লাইনচিংবগী মতেংনা তাক্কনি।"

"ৱাহৈ খুদিংগী ৱাহন পীদুনা তম্বীবদি য়াদ্রা?"

"মদুনা তম্বীগদৌরিবা লোল অদু খঙহনবদা মতম চঙহনগনি।"

"ফরে। মদু য়ারে। ঐগী মরিশুবা ৱাহং– অনীশুবা নৎত্রগা অহুমশুবা লোল ওইনা মণিপুরী তম্বীবা হৌবগা গ্রামারসু তম্বীবা হৌগদ্রা?"

ঐনা ওজা তোম্বীমচা উনবা চৎলুবা নুমিৎ অদুদা মহাক্না হায়খিবদু ঙসিতা ওইরবোই খল্লি।

'ঐনা হংলুই,

"করম্বা মতাংদগী গ্রামার তম্বীগদগে?"

"লোল খঙবা হৌরকপগা গ্রামারসু তপ্না–তপ্না তম্বীবা হৌবা য়ারে। লোল তম্বা হেক হৌবগা গ্রামার তম্বীবা হৌবদি লাল্লি। মদুনা লোল তন্নিবশিংদা চমম্নবা পোকহল্লি। লোলগী অচম্বা ষ্ট্রকচর খরদি খঙহনগদবনি।"

ওজা তোম্বীমচানা হায়রকপনি।'

মরিশুবা ৱাহংগী পাউখুম ঐনা খুদক্তা পী,

"লোল খরা হান্না খঙহল্লবা মতুংদা গ্রামার তম্বীগনি।"

দাঃ থাবলনা য়ানীংবা উত্তুনা মকোক নোম্লগা হায়রকই,

"হোয়, চুম্মী।"

দিরেক্তরনা মকোক নোমদুনা ৱাহং হংঙউ হায়না উৎলকপা খুদম ফংবদগী দাঃ সনজিৎনা ঐঙোন্দা হংলকই,

"হৌজিক ঐ জেনরেল নোলেজগী ৱাহং খরা হংগে। অহানবদা– 'সুনামী' হায়বসি করি ৱাহৈনো?"

'ঐগী নাকোংদা ঙসিসু তারি। ইং ২০০৪, দিসেম্বরগী তাং ২৬ কী নুমিদাং পুং ৭.৩৫ নি। ওল ইন্দিয়া রেডিও, ইম্ফালগী পাউ–

"... ইন্দোনেসিয়াগী সুমাত্রানা মসিগী ইপিসেন্টরনি। রিক্টর স্কেল ৯ য়ৌনা ঈরেলনুংদগী নীকখিবা অকনবা য়ুহা হাবা অদুনা খা অমদি নোংপোক এসিয়াগী ঈরেলগী ঈশিং পুদুনা চৎখি। অদুগা খঙহৌদনা অমুক হল্লক্তুনা অকিবা ফংলবা অমাঙ–অতাক থোকহনখি। পূংদা কিলোমিটর ৭০ গী চাংদা য়াংনা লাকখিবা অকিবা ফংলবা চাউরবা ঈথক সুনামীনা ইন্দিয়াগী খা থংবা ঈরেল মপানগী লৈকংলোমদা কিলোমিটর অহুম্লোম কাকৎলকখি। ঈরেন মপান নক্লা লৈবা য়ূম লীশীং কয়া মাঙ–তাকহনখ্রে। মী লীশীং কয়া অমা শিরন্নগনি হায়না পানরি। সুনামী হায়বা ৱাহৈ অসি জাপানীজ ৱাহৈনি। মসিগী অর্থনা অকিবা ফংলবা চাউরবা ঈথক হায়বনি...।"

মতম অদুদা অকিবা ফংলবা সুনামীগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরগী লৈমায় ফাওবা নীকখি।'

দাঃ সনজিৎকী অহানবা ৱাহং অদুগী পাউখুম ঐনা পী,

"জাপানীজ।"

"চুম্মে।"

পন্থবা তৌদনা মানা মহাক্কী অনীশুবা ৱাহং হংলকই,

"মেরি কোমগী মপূংফাবা মমিং করিনো?"

'নুমিৎ অদো ইং ২০১২ গী কালেনগী ওলেম্পিক লোইশিল্লকপা মতমনি।

লন্দন ওলেম্পিক্তা মেরি কোম্না সেঞ্চেংগী মনা ফংলকপগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা মহাকপু মণিপুরগী মীয়াম্না তরাম্না ওক্লি। লমদম অসিগী মীয়াম্না চাউথোকচবগা লোয়ননা হরাউ মথোই কানা মহাকপু মীৎ পেন্না য়েংলি। ৱাংলবা প্লেটফোর্ম অমগী মনিংদা চাউরবা বেনর অমদা ময়েক লানা ইরি– "মাংতে চুংনৈজাং মেরি কোমবু তরাম্না ওকপগী থৌরম।"

মেরি কোমনা মীয়ামদা হায়,

"ঐনা বোক্সিং শান্নবা হৌরকপা মতমদা মীয়ামনা হায়নৈ– বোক্সিং হায়বসি নুপীমচাশিংগী মশান্না নত্তে। মথংদা ঐনা লুহোংলবা মতুংদা মীয়াম্না হায়নৈ– ঐগী বোক্সিং শান্নবগী থবক লোইরগনি। অদুবু ঐনা মথং মথং মায় পাক্লকপগা লোয়ননা মরিরকশুবা ওইনা মালেমগী নুপীগী বোক্সিং থোইবগী মনা ফংদুনা মীয়াম্না হায়রিবদু অরানবনি হায়বসি থবক্লা উৎখি। মালেমগী ওইবা থাক্তা ঐনা মঙারক মায় পাকপদা নত্তনা ঙসিদি ওলেম্পিক্তা নুপীগী অহানবা বোক্সিংদা সেঞ্চেংগী মনা ফংবা ঙম্লে।"

পেল্লবা মণিপুরগী মীয়াম্না খূবাক খুবা লোইশিল্লু হায়বা য়াখিদে।'

ঐনা দাঃ সনজিৎকী ৱাহংগী পাউখুম পী,

"মাংতে চুংনৈজাং মেরি কোম।"

"চুম্মে। ঐগী অহুমশুবা ৱাহং– ইন্দিয়াগী মমিং চৎলবা লাই খুরুমফম কেদারনাথ করম্বা ষ্টেতা লৈবগে?"

'ঐগী পূক্নীং অতিয়াদা ঙসিসু উরি,

চহী অসিগী জুনগী তাং ১৬ অমসুং ১৭ কী লোন্নবা অহিংদনি। উত্তরাখন্দদা খঙহৌদনা হৈথরকখিবা নোংনা কেদারনাথতা লাই খুরুম্বা লাকখিবা মী লীশীং কয়াগী পুন্সি খাঙুথক্তা মাঙখি। নুং অমদি লৈঙোই য়াওনা চেন্থরকখিবা অকনবা ঈশিং ঈচেলনা কেদারনাথকী লাইশঙগী অকোয়বদা লৈবা পোৎয়োনফম শঙ কয়া, য়ারেকফম কয়া চেন্থদুনা পুখি। কেদারনাথতা নত্তনা মন্দাকিনী তুরেলনা রামবাড়া অমদি মোনাপ্রয়াগপু মেপতগী মুখৎখি। অগস্ত্যগী কৈথেল তঙ্খায় অমা ঈচেলনা চেন্থখি। খুল ৩০০ দগী হেন্না ঈ–পাউ, লম্বী–থোং ফাওনখিদে। উত্তরাখন্দ গভর্ণমেন্টনা অৱাবা তারবা মীয়াম্বু কন্নবা হেলিকোপ্টর ২০ শীজিন্নখি।'

দাঃ সনজিৎকী ৱাহংগী পাউখুম ঐনা পী,

"উত্তরাখন্দ।"

ইন্টরভিউ লোয়রদুনা থোরকই।

পার্কিংদা বস অমা চৎকদৌবগী ঙাইদুনা লৈরম্মী। অহাঙবা সিট অমদা ফমথবগা বস থৌবা হৌরে।

ইন্টরভিউদি নুংঙাইখি।

'থবক হায়দোক্লে তাবদা পরপ–পরপ চত্তুনা য়েংলুই। অনীশুবদা ঐগী মিং য়াওরম্লে। খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলদগী চাউরবা রৌ অমা লৈদুনা লাক্লে। ঐখোয়গী ইমুংদা নত্তনা য়ুম্লোন্নবসু য়াওনা য়া–য়া তৌদুনা হরাউবা ফোঙদোক্লরে।'

"ৱাঙ্গোই কুমগদবা হৌগৎপীরো।"

কন্দক্তরনা লাউরদুনা হায়রকপনি।

ঐদি নুংঙাইরবা মঙলান অমদা লুপ্লুরেদনা! ইন্টরভিউ য়াওরুবদগী য়ূম ফাওবা য়ৌফাৎত্রি।

# তাবুনুংদগী

ইম্ফালদা নুপীশিংতনা ফম্বা কৈথেল অনীখক অঙনবা মতমদা লৈরম্মী। অমনা অয়ূক্তা থোং নম্বোনবী মনাক্তা ফম্বা খ্বাইরম্বন্দ নীপী–কৈথেল, অনীশুবদুনা কংলাগী নোংচুপ থংবা সনথোঙগী মায়োক্নবদা নুংথিল কৈথেলনি। অসিগুম্বা কৈথেলশিং অসি ১৯২০ ফাওবা কারম্বগী রেকোর্দ লৈ। মণিপুরগী নুপী কৈথেলবু লীংদুনা জোর্জ ৱাটসনা ইরম্বা মতেক অমা ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।

ইম্ফাল অসি খুঙ্গংগী মীওইশিংনা লৈবা নৎত্রগা কোংনু অকোয়বদা লৈনবা য়ূমলিং–খুল্লিংবা সব–অর্বান অমনি হায়না লৌবা য়াই। চুমদ্রিং চুন্নবা লম্বীগী নাকলদা উ পাম্বী পরেং হৌবা, লম্বীশিংনা অমগা অমগা রাইট এঙ্গলদা শমজিন্নবা, দুকান ফমদবা, কারিগোর লৈবগী শক্তম উদবা, কাংখোঙ শীজিন্নবগী শক্তম উদবা সদরনি। উদ্যোগ অমসুং খূৎ–শা হৈবগী থবক্তি অরাপ্পা খুঙ্গংগী য়ূমশিংদা তৌই। নিংথৌনা অপাম্বা মীওইশিংবু লম পীদুনা কোনুংগী মনাক নকপদা লৈহল্লি। মসিনা মণিপুরগী কোনুং ওইরিবা কংলাবু অরু–অহেন অমসুং হরাউ নুংঙাইবা মফম ওইহল্লি। পূম্নমক নুংঙাইজে। লম্বীশিংদা মোমোন নোকপা মশা–মউ ফবা মীশিংনা মপূং ওইনা চৎলি। লাইর–চুদৎনরবা মীওই খরসু উবা ফংই। য়োন্নবা পোৎ থাদোক–থাজিনগী করবারদা নুপাশিং য়াওহন্দে। মহারাজগী খাজনা লাক্কদবা পোৎ নত্তনা অতৈ পোৎশিংদি মপান্দা থাদোকপদা অথিংবা পীরম্মী। নুপীশিংনা অকক্নবা নুমিৎশিংদা কৈথেলশিংদা চৎহল্লি। মখোয়না থুম্মোক্তা হাপ্তুনা মকোক্তা পুদুনা কৈথেল কারকই। মশা–মশাগী অহেনবা য়ূমগী পোখোকশিং পুদুনা লাকই। কৈথেল য়ৌরবদা পুরকপা পোৎশিং থেন্দুনা থম্মী, পোৎ অমগা অমগা ওন্নে, কন্না লাউনরবা মতুংদা ময়ূম ময়ূমশিংদা হন্নে। উফুল ফোং–ফোং কারবা লম্বীশিংদা হাথু–হাথু চৎলিবা লল্লোনবী নুপীশিংগী মায়থোঙদা করিগুম্বা অৱাবা অমত্তা উবা ফংদে।

*(Indian Forest, Vol. XIV No. 6. Page-1888 Dheradun)*

# মণিপুরী পান্থৈ–পাউরৌ, পাউতাক

* **কালেন ফনা ওইদুনসু নোংবু চুরবদি ইংই। (কালেন হুম্ফু পান্দুনসু নোংবু চুরবদি হেক্তা ইংথম্মী)**
  – নোংদম্বনা শিনবীবা অফবা থৌশিল।
* **কালেন নোংগী মওংনি থাজরুবা য়াদে।**
  – ঙাইহাক ঙাইহাক্কী তৌবা থবক তুং কোইদে।
* **কাংখোঙ চাইরবা য়ূম্বাল খরূং মফম চাদবগা পাংখক্লি**
  – মফম মরাং খঙদ্রবা য়ূম্বাল অৱাবগী মশক্লি।
  – মোট মান্নদ্রবা য়ূম্বাল তং–তাবা হৌনদে।
* **কাঙলম চেনবদা কাঙদ্রুম্না পানবা।**
  – চোইত্রি–চোইখৎ তৌবদা খুদোংথীবা নংবা।
* **কিথুম পুবগী ৱারীদা মুনবা।**
  – অঙাও–অফৈ মাল্লবসু মহাক্না হায়বা ৱাদি তাবদা নুংঙাই।
* **কিরবদি চঙলুরনু, চঙলুরদি হনগনু।**
  – থবক হৌদ্রিঙৈদা ৱাখল মুন্না খলহৌবা, হৌখ্রগনা থৌনা লৈনা মাইরোঙ য়াবা মথৌ তাই।
* **কিবু কিরবদি চরোৎ হাবুংনসু লাই শাই।**
  – কিবু কিরবদি অচম্বা কৈসু–লৈতবা পোৎসু অকিবগী মশক ওই।
  – খঙবু খঙদ্রবদি লোয়নমক লুরে।
* **কীর্ত্তন মপু মাঙজোং চোংবা।**
  – ময়ামগী পেন্নবা তৌরুবা, মমৈদা মঙোন্দা অৱাবা তাহৌবা।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

# চানক্য নীতি

– মতীক চাদবা নিংথৌনা পানবা লৈবাক লৈরোইদবনি, ফত্তবা মরুপ লৈগদবগী শরুক মরুপ লৈতবনা হেন্না ফৈ। মতীক চাদবা শিষ্য লৈগদবগী শরুক শিষ্য লৈতবনা ফৈ, চুমদবী নুপী লৈমিন্নগদবগী শরুক নুপী লৈতবনা হেন্না ফৈ।

– মতীক চাদবা নিংথৌনা লৈঙাকপদা কদায়দগী প্রজা নুংঙাইগনি! ফত্তবা মরুপ্তগী করি শান্তি ফংগনি। চুমদবী নুপীদগী করম্না য়ূমদা লৈনিংগনি! ফত্তবা শিষ্য তম্বীরগা কদায়দগী মিংচৎ ফংগনি।

– নোংশাদগী অমা, উরোক্তগী অমা য়েনবাদগী মরি, ক্লাক্তগী মঙা, হুইদগী তরুক অদুগা গধাদগী অহুম তমগনি।

– তৌগে নীংলিবা থবক অদু হেক হৌবদগী পূক্নীং চঙবা অমসুং কন্না হোৎনবা হায়রিবা মতৌ অসিমদি মীওইবনা নোংশাদগী তমগদবনি।

– মীওইবনা ইন্দ্রিয় লাকশিল্লগা, মফম, মতমগী পাঙ্গল খঙনা উরোক্লুম থবক খুদিংমক পাঙথোক্কনি।

– মতম চানা (তুম্মুবদগী) হৌগৎপা, মতম পূম্বদা লানগীদমক শেম শাবা, মরী মতাংশিংদা মান্ননা চামিন্নবা, মশাগী মচীঞ্জাক মশানা থিজবা হায়রিবা মরিসি য়েনবাদগী তমগনি।

– ফমদিন্নবদা কনা উহন্দবগী মতৌ, থৌনা ফবা, মতম মতমগী তিন্নবা, মতম পূম্বা মীশিং–নাশিংবা অদুগা কনাদসু মপূং ফানা থাজদবা– মঙা অসিবু ক্লাক্তগী তমগনি।

– য়ূমদা পুশিনবা, খজিক্তদা পেন্থোকপা, মীকপ থোকপা থুবা, হৈ–শিংবা, মপু নীংবা, ঙাক শেনবা (থৌনা ফবা)– তরুক অসি হুইদগী তমগনি।

– চোকথরবসু পোৎলুম অদুম পুবা, অইং–অশা খনবীদবা, মতম পূম্বদা পেন্থোকপা– অহুম অসিনা গধাদগী তমগনি।

– গুণ কুন অসিবু লেপ্তুনা শাজেন তৌদুনা হৈনদুনা থল্লবা মীদুনা থবক খুদিং মতম খুদিং মীনা মায়থীবা পীঙল্লোই।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

# মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

১৩৯. নুমিৎ তারগা মখা কুমখিবা নোংঙাল্লগা হল্লকপা–

১৪০. চারবসু তেঙ্গোৎ থনবা চাদ্রবসু তেঙ্গেৎ থনবা–

১৪১. চৎখিবদা মমি তাদবা হল্লকপদা মমি তাবা–

১৪২. পাম্বী য়াওদবা লৈদি ফজনা শাৎপা–

১৪৩. ৱারক মচা রাধিকা খৎনা–খৎনা তেংথারি–

১৪৪. ৱারক মচা তুনানবী খূৎনা খৎপা নুংশিবী–

১৪৫. ৱাচেৎ থারগা ফারবসু থাদোরকপদা তিংউ য়াদবা–

১৪৬. ৱারক্তা হৌবী তেংলাবী খূৎনা খৎপদা নুংশিবী–

***মমাঙ নোংমাইজিং (২৮–০৪–২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

১৩০. মৈ, ঈশিং।

১৩১. গিহোম।

১৩২. চাক চাবা।

১৩৩. তিনফা কাকফৈনা চিকপা।

১৩৪. মীৎ নাম্মা তাংবনা চৌক্রীদা ফম্বা।

১৩৫. নাওশেক।

১৩৬. চু।

১৩৭. শম, শামতু, উচেক মতু।

১৩৮. কাংজৈ শান্নবা।

# কান্ন–ৱানি খঙজীনবিয়ু

*** য়েৎতুমদা লং লায়না লেংবিগে হায়রবদি?**

(ক) য়েৎতুম মখুলদা য়াম্না লায়না লং লেংশিনবিগে হায়রবদি য়েৎতুম মখুলদু লেংবিগদৌরিবা লং অদুগী মচু নত্তবা ফি অমগী ময়া নক্না থম্বীয়ু নৎত্রগা ফিতু–কোনগুম্বদা ওইরগনা ফিদু য়েৎতুম মখুল নক্না থম্বীয়ু। তৌবতবু য়েৎতুমদা লেংগদবা লংগী মতোনদি কাটিনা ফৈজৈ হান্না চপথৎপীয়ু।

(খ) য়েৎতুম মখুলদা য়াম্নসু মোনবা অদুগা য়াম্নসু কুপ্পা লংলাশিংদা তাশীনবা লং লেংবিগে হায়রবদি মথক্কী অসুম্না তৌবিবগী মথক্তা লংদোন অদু নেল পোলিসতা হায়ফেত্তং লুপশীনবিরগা মতোন তুম্নবা তাশীনবিয়ু।

*** য়েৎতুম মচীন থৌহনবিগে হায়রবদি?**

য়েৎতুম মচীন থৌহনবিগে হায়রবদি সেরিচ পেপর (সেন্দ পেপর) মচেৎনা য়েৎতুম মতোনদু পায়শীনবিরগা তকপীয়ু।

*** য়েরুম অপূম্বনি–অফবনি খঙবিগে হায়রবদি?**

য়েরুম অমবু অপূম্বনি নৎত্রগা অফবনি হায়বা খঙবীগে হারবদি য়েরুম অদু ঈশিংদা থাদবিয়ু। অপূম্বা য়েরুমদি ঈশিংদা তাউখৎকনি অদুগা অফবা য়েরুমনা লুপথগনি।

*** য়েরুম তল (ওম্লেট) পাক্না হৌবিগে হায়রবদি?**

য়েরুম তল হৌবদা ইপা পানা অমসুং ইপাক–পাক্না হৌবিগে হায়রবদি য়েরুম থিৎপদুদা সোদা মহী (সোদা ৱাতর) খজিক্তং (য়েরুম অমগীদা চামচ তঙ্খায়মুক য়ানশিনবিয়ু।

*(খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশীং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক ''কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু'' দগী লৌথোকচবা)*

# চয়োলপিসগী ফাগী

**লুহোংলবা মতুং!!**

থবক অমগী থা খরা লংফৈদা লৈরুরবা নহা অমা ময়ূম থোরক্তুনা মথন্তা পোকপা মমান্নবা অমগীদা কোইথোরকই। মানা লাকপদা মমান্নবা পাখঙদু থোঙ্গাল ময়াগী পুখ্রি মপানদা ফি–রোল শুদুনা লৈরম্বা থেংনৈ–

নহা – কৈদৌরে ভাই! বীনা (মমান্নবদুগা নুংশিনজবী) লাক্লগা হেক– হেক শুবীরমদায় লাকপীদ্রৱাও?

মমান্নবা – (ইকায়–ইকায়) অশ! ভাই নঙদি লংফৈদা লৈখিদনা খঙদ্রবননি ঐখোয় বীনাগা ঐগা লুহোংলে ভাই।

**হৈ–শিংবা পাউমী!!**

পাউচে অমগী পাউমী অমখক্না নোংমা অসুম চখোরকপদা লম্বী মতাই অমদা মীয়াম ওমশিন্নরম্বা থেংনরম্মী। লাপতক্না হংবদা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোকপনি খঙবদগী মখা কুপথরুদনা মীয়াম তিল্লিবদোমদা পরপ–পরপ চঙশিন্দুনা, মীয়ামগী মরক থৎনা চঙশিনবা য়ানবা– "অশোকপসে ঐখোয় মরী–মতাশিংনি লম্বী অমুক্তা থাদোকপীয়ু।"

মীয়াম্না লম্বী পীদুনা চঙলক্লবদদি পাউমীদুনা উই– হুই অমগা ষণ অমগা শিদুনা তারম্লি, সরক মতাইগী খোংবান্দনা জিপ অমা লোংশিল্লম্লি।

# শৈরেং

## ঐনা তৌবদি য়াই

*– এম দে সরোজ খান*

মীনা দাবল ষ্টেন্দর ওইবদি শাউনিংই
ঐনা তৌবদি য়াই।

মীনা দিপ্লোমেসি তৌবদি শাউনিংই
ঐনা তৌবদি য়াই।

মীনা কম্যুনেল নাইবদি শাউনিংই
ঐনা তৌবদি য়াই।

মীনা দর্টি পোলিটিক্স তৌবদি শাউনিংই
ঐনা তৌবদি য়াই।

মীনা ৱান সাইদেট ওইবদি শাউনিংই
ঐনা তৌবদি য়াই।

মীনা করপসন তৌবদি শাউনিংই
ঐনা তৌবদি য়াই।

মীনা ৱাখল খনথদবদি শাউনিংই
ঐনা তৌবদি য়াই।

মীনা পুকচেল পীকপদি শাউনিংই
ঐনা তৌবদি য়াই।

মীনা তুমিৎকী পুকচেল পানবদি শাউনিংই
ঐনা তৌবদি য়াই।

মীনা ঈরমদম হুনবদি শাউনিংই
ঐনা তৌবদি য়াই।

মীনা নত্তবা লিচৎ চৎপদি শাউনিংই
ঐনা তৌবদি য়াই।

মীনা হুরানবদি শাউনিংই
ঐনা তৌবদি য়াই।

মীনা মখোয়গীদা খনবদা শাউনিংই
ঐনা তৌবদি য়াই।

মীনা রেশপেক লৈতবদি শাউনিংই
ঐনা তৌবদি য়াই।

মীনা হৈপা শাবদি শাউনিংই
ঐনা তৌবদি য়াই।

## অরোইবা পন্থুং

*– নিংথৌজম ইবোপিশক*

অরোইবা শ্বরনা হোন্দোক্লকপদা
থৱায়গা হকচাংগা খাইনরবদা
উতুপ তাবগুম তারিবা
মোল্লবা মোম্পাক মথক্তা।
কোইনা ফল্লি ইচিন–ইনাও শুনা
কোকতোলদা ইপানা
খুয়াদা ইমানা লৈরি।
সৈবা তৌরি অৱাবা কোক্লবা
হুমাংনা চোৎলবা হকচাংসি।
অইং অশা খল কায়রবা
নাতোন্না মফম হোংলক্লবদা।
অরোইবা পুংজাদু লাক্লবদা
মীৎলুদগী পীরাংনা শিন্থরক্লবদা
চীনবান্দা মচু ওল্লক্লবা
তুম্বগুম উরিবা মায়থোঙদো
চৎখিনি পূম্নমক থাদোক্তুনা
নুংশিরবা মমা–মপা মচিন–মনাও
থৱায়গা হকচাংগা খায়নবা
মীকুপ অদুনা লাক্লবদা।

## পর্দা মরুম

*– শ্রী দেবেন সিংহ*

উরি মমি অমা পর্দা মরুমদা
খল্লি ৱাখলনা মওন মওন
ভাবনা শাগৎচৈ প্রভুগী শক্তম্লা
উজনিংবা মতম কয়াগী মমাঙদৈ।
হাইদোকখ্রে পর্দা থিঙঙমদনা
খঙহৌদনা হুম্নকপা মালংবনা
ওইরম্লে মমিদু ঐগী প্রভুগী
য়েংই মূর্ত্তিগুম মীৎফম হোংদনা।
খুরুমজৈ নোল্লুক্না পূক্নীংনা
নিজখি বর খোন্তোক্তনা ঐনা
শোঞ্জখি মাগী মিংলেন তত্তনা
পেঞ্জখি থম্মোয় মকা লাম্না।
ইকায় নুংশি য়ান্ননা ঐনা
ঙমজদা প্রভুগী নাক্তা চঙবা
খুরুমজখি ইমিত্তা পীরাং শিন্থা
খঞ্জিনখ্রে অমুক পর্দানা মূর্ত্তিদু।

## পঙইব্রা শিংইব্রা

*– ইরোম মোবি*

কোক খজিক্তং ঙাওবদা
ডাক্তর য়েংদুনা হিদাক চাই।
মীওই কয়ানা
ঙাওদবা কোকপু ঙাওহন্নবা
য়ু থকই দ্রগ মখল কয়া চাই
শেল কয়া তিংহল্লি
ইমুং মহি লাংহল্লি।
মসিনা মমৈথংদা
লায়না কয়া ওল্লক্তুনা
পুন্সি তেলহল্লি।

## পুন্সিগী মহাও

*– নিংথেম পিশক ৱাইরোকপা*

নোংমা নুংথিল পেবোপ্তা
ৱায়রকপা য়মাহ অমখক
থৌরকই, মণি বাবুনা।
অচাওরম কারবা থম্মোয়দো
মফম খঙদা তুকথখি
গাড়ী থাউনা লোইখিবদা।
ঙাংগনবী ঙাংবীদো
নিংদোল পোম্না লৈহৌই
চেঙৱান শেল লৌখিবদা।
নুপী ওইবগী হৌনশা
শোন্থাংননা শোলহৌই
ঙসি নুমিদাংগী চরাসে
য়মাহ নঙনা চারোকো।
মনিবাবু চৎখ্রে
মপুরোইবা য়েংদুনা
অৱাবা ঈথক মরুমদা
মোমোন মীনোক তমজখি।
চরা শিৎলসু
পুৱারীগী লমায়দা য়াওদ্রবা
পুন্সিগী মহাওদুনি
সাহিত্যনা শীংথারিবা।